# প্রোটেষ্ট কনখৎলকপদগী থাইলেন্দগী লোমেকরশিংনা কন্সটিট্যুসন শেমদোকপগী মতাংদা ভোট লৌনখ্রে

বেঙ্কোক, নবেম্বর ১৮ (এজেন্সী):

থাইলেন্দগী কন্সটিট্যুসন শেমদোক্নুনা অহোংবা লাকহন্নবগী ওপসনশিংগী মতাংদা য়ূমশকৈশা নুমিৎতা লৈবাক অসিগী পার্লিয়ামেন্টকী মেম্বরগী মরক্তা ভোট লৌনখ্রে।

মেম্বর অয়াম্বনা লৈবাক অসিগী মতিক ময়াই লৈরবা মোনার্কিগী থৌদাংদা অহোংবা লাকহনগদবা প্রোটেষ্টরশিংগী দিমান্দ অমগা মরী লৈনবা প্রপোজেল অমগী মায়োক্তা ভোট পীখি।

হৌখিবা জুলাইদা লৈবাক অসিগী নহারোলশিংনা প্রোটেষ্ট হৌখিবদগী খ্বাইদগী ঈরাং কনবা নুমিৎ অমগী মতুংদা পার্লিয়ামেন্টকী মেম্বরশিংনা ভোট লৌনবগী খোঙথাং অসি লাক্লিবনি। প্রোটেষ্টরশিংনা হান্নগী জুনতা লিদর অমা ওইরিবা প্রাইম মিনিষ্টর প্রয়ুথ চান-ওচা মফম লৌথোকউ, কন্সটিট্যুসন পুমনৌ নৌনা ইথোকউ অমসুং নিংথৌ মহা ভাজিরালোংকোর্নগী মোনার্কিদা অহোংবা লাকহল্লু হায়না দিমান্দ তৌখি।

হৌজিক থাইলেন্দগী পার্লিয়ামেন্টতা প্রয়ুথপু শৌগৎপশিংনা মেজোরিটি ওইরি। পার্লিয়ামেন্টকী অপ্পর হাওস ওইরিবা সিনেট অপূম্বা প্রয়ুথনা কুমজা ২০১৪গী কূ মতুংদা লুচিংখিবা জুনতানা হাপখিবনি।

কন্সটিট্যুসনদা অহোংবা লাকহন্নবগী প্রপোজেল তরেৎকী মনুংদা অমনা মোনার্কিগী থৌদাং শেমদোকপা য়াহনগনি। থাই প্রোটেষ্টরশিংনা হায়রিবদি মোনার্কিনা সাউথইষ্ট এসিয়াগী লৈবাক অসিবু চহী লিশাংশিংনা মিলিটরিনা দোমিনেট তৌহল্লি হায়বসিনি। গভর্ণমেন্টনা কন্সটিট্যুসন শেমদোক্লবা শেম-শাদুনা লৈ হায়জরবসু মোনার্কিদদি খূৎ থানিংদ্রি। গভর্ণমেন্টকী হ্বিপ চিন্নারোর্ন বুন্যাকিয়াটনা এজেন্সীদা ফোঙদোকখিবদা, কোলিসন গভর্ণমেন্টনা মোনার্কিগা মরী লৈনবা আর্টিকলশিং শেমদোকপা য়াদবা দ্রাফ্ট অনী শৌগৎতুনা ভোট পীগনি। তৌইগুম্বসুং আইলো দ্রাফ্টকী মতাংদদি ভোট লৌনরোই। আইলো দ্রাফ্ট হায়বসি কন্সটিট্যুসনদা মোনার্কিগী মফম খন্নবা য়াহনগদবা আইলো হ্যুমেন রাইটস গ্রুপকী প্রপোজেলনি।

পার্লিয়ামেন্টকী ইলেক্তেদ মেম্বর ৪৮৭ অমসুং সিনেটর ২৪৫না প্রপোজেলশিং অদুবু অমমমতা ওইনা ভোটিং তৌগদবা ওইবনা পুং কয়ামুক চঙবা য়াই হায়না পানখি। প্রোটেষ্টরশিং অমসুং পার্লিয়ামেন্টকী ওপোজিসন মেম্বর কয়ানা শৌগৎলিবা আইলোগী প্রপোজেল অদুগী মায়োক্তা ভাঙখিবা সিনেটর সেরি সুৱানফানোননা মোনার্কি ঙাক শেনবগী তঙাইফদবা লৈ হায়খি।

অমরোমদা ওপোজিসন মুভ ফোরৱার্দ পার্টিগী লুচিংবা পিতা লিমজারোএনরাতনা করিগুম্বা ঐখোয়না লৈবাক অসিগী প্রোব্লেমশিংগী সোল্যুসন পাল্লবদি আইলো দ্রাফ্ট য়ানগদবনি হায়খি।

ঐখোয়না এয়র-কন্দিসনগী কাদা নুংঙাইনা ফম্লিঙৈদা ওফিসরশিংনা মীওই কয়াদা ফূ চৈবগী থৌওং চথখি হায়না মহাক্না লৈবাকপোকপা নুমিৎতা পার্লিয়ামেন্টকী মপান্দা চথখিবা প্রোটেষ্টকী মতাংদা পল্লদুনা ফোঙদোকখি। নোংমৈনা পানবা কয়া য়াওনা প্রোটেষ্ট অদুদা য়ামদ্রবদা মীওই ৫৫ অশোক অপন নংখি।

# ‘টিবেটান বুধিষ্টশিংনা মথংগী দলাই লামা খঞ্জগদবনি, চাইনানা খনগদবা নত্তে’

ৱাশিংটন, নবেম্বর ১৮ (এজেন্সী) :

চাইনানা মথংগী দলাই লামা খনবগী ৱাফমগী মায়োক্তা য়ু এসনা লেপ্লি হায়না ইন্টরনেসনল রিলিজস ফ্রীদমগা মরী লৈননা অখন্নবা হাপ্পা য়ু এসকী অম্বেসেদর সাম্যুএল ব্রাউনবেকনা লৈবাকপোকপা নুমিৎতা ফোঙদোকখ্রে।

মখোয়দা টিবেটান লামা খন্নবগী রাইট লৈতে। লাইনীং লাইশোনগী কাঙলোন্দা মখোয়না মদু তৌবা য়াবগী ৱাফম য়াওদে হায়না ব্রাউনবেকনা ফোঙদোকখি।

মহাক্না মখা তানা ফোঙদোকখিবদা টিবেটান বুধিষ্টশিংগী মথংগী দলাই লামা খঞ্জনবগী রাইট য়ু এসনা শৌগৎলি। হৌজিক লৈরিবা মশাগী চহী ৮৫ শুরবা দলাই লামানা টিবেটান বুধিষ্টশিংগী ১৪শুবা দলাই লামানি। মহাক চাইনানা টিবেট পায়শিল্লকখিবদগী ইন্দিয়াদা চেল্লগা শৈদাংদুনা লৈখি।

মহৌশাদগী চৎনরকপা অমা ওইনা দলাই লামানা ইন্সত্রক্সন পীরগা মহাক্কী শায়োন থিহল্লি। তৌইগুম্বসুং টিবেটান বুধিষ্টশিংগী লুচিংবা কনা ওইহনগদগে হায়বা লেপ্পবগী রাইট লৈ হায়না চাইনিজ গভর্ণমেন্টনা ক্লেম তৌদুনা লাক্লি।

চাইনিজ কম্যুনিষ্ট পার্টিনা দলাই লামা খন্নবগী রাইট লৈ হায়রিবসি পূল্লান লানবা ৱাফমনি হায়না পল্লদুনা ব্রাউনবেকনা টেলিফোন ব্রিফিং অমদা হায়খি মদুদি, টিবেটান বুধিষ্টশিংনা চহী চা কয়া মখোয়গী লুচিংবা খন্নখ্রে। অদুনা হৌজিকসু মখোয়দা দলাই লামা খন্নবগী রাইট লৈ। দলাই লামানা হায়রি মদুদি মহাক্না চহী ৯০ রোম শুরকপদা দলাই লামাগী ইন্সটিট্যুসন অসি মখা তানা লৈহনগদ্রা নৎত্রগা লৈহল্লোইদ্রা হায়বগী মতাংদা লেপ্পবা অতৈ লামাশিং, টিবেটান মীয়াম অমসুং লাইনীং লম্বী অসিবু চৎলিবশিংগা তানগনি। করিগুম্বা মহুৎ শিনবা অমা খনবদা লেপ্পবা ওইরবদি দলাই লামাগী গাদেন ফোদ্রাং ত্রষ্টনা মমাঙঙৈগী চৎনবীশিংগী মতুংইন্না মীওই অদু মশক খঙদোকপগী থৌদাং লৌগনি অমসুং মদুগীদমক্তা মহাক্না ইন্সত্রক্সনশিং ইদুনা থম্লমগনি হায়না মহাক্না ফোঙদোকখি।

পোলিটিকেল মীৎয়েংদা পিপলস রিপব্লিক ওফ চাইনাগী লুচিংবশিং য়াওনা কনাগুম্বশিংনা খল্লকপা কেন্দিদেট অমত্তা শকখঙবা য়ারোই হায়না দলাই লামানা ৱার্নিং তৌখি।

# দোনাল্ড ত্রম্পকী ৱাফমগা ওন্ন-তৈননা ঙাঙবা ইলেক্সন ওফিসল অমা মফম লৌথোকখ্রে

ৱাশিংটন, নবেম্বর ১৮ (এজেন্সী) :

মীখলদা নমথাক তৌখি হায়বা প্রসিদেন্ট দোনাল্ড ত্রম্পকী ৱাফমগা তায়োন্নবা ৱাফম ফোঙদোক্লুবগীদমক্তা য়ু এসকী প্রসিদেন্ট অসিনা সাইবরসিক্যুরিটি এন্দ ইনফ্রাষ্ট্রকচর সিক্যুরিটি এজেন্সি (সী আই এস এ) গী চীফ ক্রিস ক্রেবস মফম লৌথোকখ্রে।

ভোটকী অচুম-অরানগা মরী লৈননা য়াম্না চুমদবা ৱাফম কয়া ফোঙদোরকখিবগীদমক্তা মহাক্না সাইবরসিক্যুরিটি এন্দ ইনফ্রাষ্ট্রকচর সিক্যুরিটি এজেন্সিগী চীফ ক্রিস ক্রেবস মফম লৌথোক্লে হায়না ত্রম্পনা ফোঙদোকখি।

ত্রম্পনা য়ু এসকী মীখলদা মহাক মায়থীরে হায়বসি য়াখিদবগা লোয়ননা মীখলদা চাউনা নমথাক তৌরে হায়না ইভিদেন্স য়াওদনা ক্লেম তৌখি। ইলেক্সন ওফিসলশিংনদি ভোট অদু য়ু এসকী পুৱারীদা খ্বাইদগী সিক্যুর ওইনা পাঙথোকখি হায়রি।

প্রসিদেন্ট ত্রম্পনা মীখলদা মায়থীবা নংলবা মতুংদা মফম লৌথোকখিবা ওফিসলশিংগী মনুংদা ক্রেবসনা খ্বাইদগী নৌবা ওইরি। দিফেন্স সেক্রেটরি মার্ক ইস্পর ত্রম্পনা মমাঙদা মফম লৌথোকখ্রবনি। ত্রম্পনা লাক্লিবা জন্যুৱারী থাদা ওফিস থাদোক্লিঙৈ মমাঙদা সী আই এগী দিরেক্টর গিনা হাসপেল অমসুং এফ বি আইগী দিরেক্টর ক্রিষ্টোফর রেসু মফম লৌথোরকপা য়াই হায়না থাজনরি।

ত্রম্পনা মফম লৌথোকখিবা অতৈ কয়াগা মান্ননা ক্রেবসপু মহাক মফম তৎলে হায়বসি লৈবাকপোকপা নুমিৎতা প্রসিদেন্টকী ত্বিট উবদা খঙখি। তৌইগুম্বসুং মফম তৎলবা মতুংদা মাইক্রোসোফকী হান্নগী এগজিক্যুটিভ অসিদা নুংনাংবা অমত্তা পোকখিদে। কুমজা ২০১৬কী মীখলদা রসিয়ানা খূৎ থিংজিনখি হায়বা ৱাথোক অমা লাকখিবা মতুং চহী অনীগী মমাঙদা লিংখৎখিবদগী ক্রেবসনা এজেন্সী অসি চলাইরকখি।

সাইবর থ্রেটশিংদগী ঙাকথোক্নবগী পান্দমগা লোয়ননা সী আই এস এনা ষ্টেট অমসুং লোকল ইলেক্সন ওফিসলশিং অমদি ভোটিং সিষ্টমশিং সপ্লাই তৌরিবা প্রাইভেট কম্পনিশিংগা থবক তৌমিন্নে। অসুম্না থবক তৌনা তৌনা বেলোট টেব্যুলেসন অমসুং পৱার গ্রিদসু মোনিটর তৌই।

প্রসিদেন্ট মশানা অচৌবা ৱাথোক্নুম্না উহন্নবা হোৎনবগী মওং লৈখিবা মীখলগা মরী লৈনবা য়ূম্ফম য়াওদবা ৱাফম নৎত্রগা পাউ কয়া রিজেক্ট তৌখিবা রুমর কন্ট্রোল কৌবা সী আই এস এগী ৱেবসাইট অমগী মতাংদা মহাক্না হ্বাইট হাওসকী অশাওবা মায়োক্নরকখি।

মফম লৌথোক্লিঙৈগী মমাঙদা তোঙান তোঙানবা ষ্টেটশিংগী ভোটিং মেছিনশিংনা বেলোটশিং বাইদেনগী ফেভরদা চৎহনখি হায়বা ত্রম্পকী ৱাফমদা মিৎয়েং থম্লগা মহাক্না ত্বিট অমা থাগৎলমখি। ক্রেবসনা ত্বিট অদুদা হায়, ইলেক্সন সিষ্টমশিং শেমদোক শাদোকই হায়বা ৱাফমশিংগী মতাংদা ইলেক্সন সিক্যুরিটি এক্সপার্ট ৫৯না অসিগুম্বা ক্লেমশিং অসি ইভিদেন্স লৈতে নৎত্রগা টেক্নিকেল্লি মরম চাদে হায়না য়ানরে। থা অসিগী ৩দা পাঙথোকখিবা মীখল অদু অমেরিকাগী পুৱারীদা খ্বাইদগী হেন্না সিক্যুর ওইখি হায়না হৌখিবা চয়োলদা লাউথোকখিবা দিপার্টমেন্ট ওফ হোমলেন্দ সিক্যুরিটিগী সিনিয়র লফিসলশিংগী মনুংদা মহাকসু অমনি।

# পম্পিওনা জোর্জিয়াদা খোঙচৎ অমা চৎলিঙৈদা মীখলগী রিজল্টকী মতাংদা প্রোটেষ্ট তৌখ্রে

বিলিসি, নবেম্বর ১৮ (এজেন্সী) : য়ু এসকী সেক্রেটরি ওফ ষ্টেট মাইক পম্পিওনা হান্নগী সোভিয়েট জোর্জিয়াদা খোঙচৎ অমা পাঙথোক্লিঙৈ য়ূমশকৈশা নুমিৎতা জোর্জিয়ন লিশীং কয়ানা কেপিটেল বিলিসিগী লম্বীশিংদা থোক্নুনা হন্দক্তা পাঙথোকখিবা পার্লিয়ামেন্টরি মীখলগী রিজল্টকী মায়োক্তা প্রোটেষ্ট তৌখ্রে।

ৱাশিংটননা মিলিটরি তেংবাঙ পীবা য়াওনা মহৌশাদগী শৌগৎতুনা লাকখিবা সাউথ কোকেসসকী অপিকপা লৈবাক অসি পম্পিওগী লৈবাক কয়া থুংগদবা খোঙচৎতা খ্বাইদগী নৌনা পল্লিবা লৈবাকনি। জোর্জিয়াগী মথংদা মহাক্না ইজরেলদা থুংগনি।

পম্পিওনা য়ূমশকৈশা নুমিৎতা প্রসিদেন্ট সালোম জুরাবিসভিলি, প্রাইম মিনিষ্টর জিওর্গি গঘারিয়া অমসুং জের্জিয়ন ওর্থোদোক্স চর্চকী পেট্রিয়ার্ক ইলিয়া টু, অমদি সিভিল সোসাইটিগী মীহুৎশিংগা উনখি।

জোর্জিয়াগী প্রাইম মিনিষ্টরগা ৱারী শানবদা পম্পিওনা মহাক লৈবাক অদুবু রসিয়ানা পায়শিনখিবগা মরী লৈনবা অৱাবা, নুংঙাইতবা অমদি খুদোংচাদবা কয়া লৈবরদু খঙই হায়খি। মহাক্না ৱাফম অসি কুমজা ২০০৮দা লান অমা শোক্লদুনা রসিয়ন ফোর্সশিংনা জোর্জিয়াগী লমদম পায়শিনখিবগা মরী লৈননা ফোঙদোকখিবনি।

পম্পিওনা ফোঙদোকখিবদা, জোর্জিয়াদা মীখল মওং মরীল তানা পাঙথোকপদা চঙগদবা ইন্সটিট্যুসনশিং অমদি দিমোক্রেসি অমসুং অফবা দিবেটতা চঙগদবা পূম্নমক লাংবদা লৈবাক অসিবু য়ু এসনা মখা তানা শৌগৎপা পামই।

ওপোজিসননা মাইক পম্পিওগী খোঙচৎ অদুবু থাগৎখি। বোর্দর ষ্টেট অসিদা প্রসিদেন্ট ব্লাদিমির পুতিনগী মীৎয়েং মখাদা রসিয়ানা অকন-অরিং শীংবগী থৌওং চথরিবসি হন্দোকহনবদা জোর্জিয়ানা য়ু এসকী মতেং মখা তানা মথৌ তাই হায়না ওপোজিসন লিদর অমনা এজেন্সীদা ফোঙদোকখি।

জোর্জিয়ন লিশীং কয়ানা লৈবাক অসিগী অচৌবা ফিরাল অমা পায়রগা সিটি সেন্টরদা লাইভ চেইন অমা শেমখি। মখোয়না য়ু এসপু থাগৎপা অমদি রসিয়ন ওলিগার্কনা মীখলদা অরান-অহুই কয়া তৌখি হায়না মরাল শীবা ৱাফমশিং ইবা পোষ্টরশিংসু পায়খি।

ওক্টোবর ৩১গী পার্লিয়ামেন্টরি মীখলগী ওফিসল রিজল্টকী মতুংইন্না রসিয়াদা শেল য়াম্না তাল্লকখিবা বিদজিনা ইভানিসভিলিনা লুচিংবা রুলিং জোর্জিয়ন দ্রিম পার্টিনা ভোট চাদা ৪৮.২৩ ফংখি অমসুং খ্বাইদগী চাউবা ওপোজিসন পার্টি ওইরিবা য়ুনাইটেদ নেসনল মুভমেন্ট (য়ু এন এম) না চাদা ২৭.১৮ ফংখি।

# দিৱালি মতুংদা ইন্দিয়াদা অনৌবা কোভিদ কেস চাদা ৩০ হেনগৎখ্রে

ন্যু দেল্লি, নবেম্বর ১৮ (এজেন্সী):

দিৱালি অমসুং অতৈ কুম্মৈ কয়া লোইশিনখিবগা ইন্দিয়াদা কোভিদ-১৯গী অনৌবা কেস চাদা ৩০গী মথক্তা হেনগৎখ্রে।

য়ুনিয়ন হোম মিনিষ্ট্রিনা য়ূমশকৈশা নুমিৎতা ফোঙবা দেটাগী মতুংইন্না হৌখিবা পুং ২৪ অসিদা অনৌবা কেস ৩৮,৬১৭ থেংনখি। কেসশিং অসিগা লোয়ননা ফীভম অসি লাক্লিবনি। নোংমদা ইনৌ নৌনা মীওই ৪৭৪ শিখিবগা লোয়ননা লৈবাক অসিদা লাইচৎ অসিনা শিহনবা মী মশীং ১,৩০,৯৯৩ য়ৌখ্রে। এক্টিভ কেস মশীংনা ৪,৪৮,৮০৫ ওইরি।

লায়েংবদা হৌজিক ফাওবদা মীওই ৮৩,৩৫,১০৯ নাবা ফদুনা তোঙান তোঙানবা হোস্পিটালশিং অমসুং কোভিদ সেন্টরশিংদগী দিসচার্জ তৌখ্রে। লৈবাকপোকপা নুমিৎতা ইন্দিয়াদা অনৌবা কোভিদ-১৯ কেস ২৯,১৬৪ অমসুং মীওই ৪৪৯ শিখিবগী রিপোর্ট তৌখি। য়ূমশকৈশা নুমিৎকী মশীং অসিনা নোংমগী মনুংদা মমাঙগী নুমিৎকা চাংদম্নবদা চাদা ৩২ হেনগৎখ্রে হায়বসি উৎলি।

অদুম ওইনমক ইন্দেক্স হেনগৎলিবসিগী মরম চাংচৎতা নোংমদা সেম্পল লাখ নিপান চাংয়েং তৌখিবা মতুং লৈবাকপোকপা নুমিৎতা পূন্না সেম্পল ৯,৩৭,২৭৯ টেষ্ট তৌখিবা অসিনা ওইবা য়াই হায়বসি ইন্দিয়ন কাউন্সিল ওফ মেদিকেল রিসর্চকী দেটানা উৎলি।

দেল্লি - এন সী আরদা কোভিদ-১৯গী ফীভম হৌজিকসু লুনা লৈরি। ইনৌ নৌনা কেস মশীং হেনগৎলক্লিবা অসিনা হেল্থক্যের সিষ্টমদা চৈথেং পীখি। গভর্ণমেন্ট অমদি প্রাইভেট অনীমক্কী হোস্পিটালশিংদা আই সী য়ু বেদ অপূম্বগী চাদা ১০দমক ভেন্টিলেটরশিং য়াওই।

অরুবা ফীভম ওইরবা পেসেন্টশিং নত্তবা ময়ায় ওইরপকী লায়ওংশিং লোয়নরবা পেসেন্টশিং হোস্পিটালদা এদমিট তৌনবা হোৎনবদা পুং কয়া ঙাইনরি। মসিদা নত্তনা কোভিদকী নত্তবা পেসেন্টশিংনা কেপিটেল সিটিগী হোস্পিটাল অমদা বেদ অমা ফংনবা হোৎনবদা মফম অমদগী অমদা কোয়চৎ চৎনরি।

অসিগুম্বা ফীভমশিং অসিনা মরম ওইদুনা দেল্লি গভর্ণমেন্টনা থা খরগী মমাঙদা লৌথোকখ্রবা অথিংবশিং অমুক হন্না থম্নবা খন্নরকখি। দেল্লিগী চীফ মিনিষ্টর অরবিন্দ কেজ্রিৱালনা লেফটিনেন্ট গভর্ণর অনিল বাইজাল অমসুং সেন্টরদা প্রপোজেল অমা থাদুনা মীওই ৫০দমক লুহোংবা য়াওহনবা অমসুং হোটস্পোটশিং ওইরকপা য়াবা মার্কেট এরিয়াশিংদা লোকদাউন থম্বগী ৱাফম খন্থবীনবা হায়জখ্রে।

# টাইৱান্না চাইনা শৌগৎপা টাইকুনগী ন্যুজ চেন্নেল অমা থিংজিনখ্রে

টাইপৈ, নবেম্বর ১৮ (এজেন্সী):

চাইনা শৌগৎপনি হায়বা ন্যুজ চেন্নেল অমা টাইৱান্না য়ূমশকৈশা নুমিৎতা লাইসেন্স রিন্যু তৌখিদবগা লোয়ননা চেন্নেল অদু ঈথৎ অসিদা ওপরেট তৌবা থিংজিনখ্রে।

ঈথৎ অসিদা চাইনানা সপোর্ট ফংনবা কেম্প্যেন চথরক্লি হায়বগী অকিবা মরক্তা বৈজিংগা য়ানবা টাইকুন অমনা খূৎ থিংজিল্লকপগী ইভিদেন্স লৈরে হায়রদুনা টাইৱানগী ওথোরিটিশিংনা খোঙথাং অসি লৌখৎখিবনি।

কুমজা ২০০৬তা নেসনল কম্যুনিকেসন কম্মিসন হায়রিবা রেগুলেটর অসি লিংখৎখিবদগী টাইৱান্না টেলিভিজন ন্যুজ ষ্টেসন অমা হকথেংননা নৎত্রবসু থিংজিনখিবসি সী টি আই কেবলনা লাইসেন্স রিন্যু তৌবীনবা হায়জবদা য়াখিদবা অসিনা অহানবনি।

গভর্ণমেন্টকী ৱারেপ অসিবু সী টি আই অমসুং ওপোজিসননা খুদক্তা য়ানীংদবা ফোঙদোকখি অমসুং মদু মীদিয়াগী নীংতম্বদা চথবা এটেক অমনি হায়না মরু ওইবা ওপোজিসন পার্টি অসিনা হায়খি।

বৈজিংনা মশাগী লমনি হায়না খঞ্জরিবা অমসুং তঙাইফরক্ত্রবদি লাকশিন্নবগীদমক্তা ফোর্স ফাওবা শীজিন্নরক্কনি হায়না কিহল্লিবা টাইৱান্দা ইথিল পীনবগীদমক্তা মীদিয়া কেম্প্যেন অমা য়াওনা চাইনানা থৌরাং কয়া লৌখৎলক্লে হায়না দিমোক্রেসি চৎপা ঈথৎ অসিগী গভর্ণমেন্টনা হঞ্জিন ফোঙদোকপা লৈখ্রবনি।

কম্মিসনগী মকোক চেন য়ো-স্যাংনা ফোঙদোকখিবদা লাইসেন্স রিন্যু তৌহন্দবগী ৱারেপ অদু মোত অমত্তা ওইনা লৌখি। সী টি আইগী এদিটোরিএলগী নীংতম্বদা অচৌবা স্যেরহোল্ডর অমা ওইরিবা সাই ইং-ৱেননা খূৎ থিংজিল্লক্লে হায়না মরাল শীরদুনা ৱারেপ অদু লৌখিবনি। সাই ইং-ৱেন হায়রিবা মীওই অসিনা চাইনাগী খ্বাইদগী চাউবা ফুদ ফার্মশিংগী মনুংদা অমা ওইরিবা ৱান্ট ৱান্ট চাইনা হোল্ডিং লিমিটেদ অসিসু চলাই।

মখোয়গী খ্বাইদগী চাউবা স্যেরহোল্ডরনা সী টি আইগী ন্যুজ দেস্কতা হকথেংননা খূৎ থিংজিনখি হায়বসি চুম্লবা ৱাফমনি। মীয়ামগী ইন্টরেষ্টতা শোক্লিংঙাই ওইবা মওংদা ফেক্টশিং য়েংশিনবা ঙমদবগুম্বা কাঙলোন থুগাইবগী থৌওংশিংগা মরী লৈননা সী টি আই কয়ারক হন্না ফাইন তৌখ্রে হায়না মহাক্না মখা তাখি।

প্রসিদেন্ট সাই ইং-ৱেনগী খোঙথাং অসিগী পাউখুম ওইনা সী টি আইনা চেন্নেল অসিগী ফেসবুক পেজদা সাই গভর্ণমেন্টনা সী টি আই থিংজিনখ্রে, প্রেসকী নীংতম্বা শিরে হায়না ইখি।

ৱারেপ অদুবু কোর্টতা শিংনগনি হায়না ৱাশক্লিবা চেন্নেল অসিনা চাইনাবু শৌগৎলি হায়বসি য়ানীংদবা ফোঙদোক্লদুনা হায়, গভর্ণমেন্টনা মখোয়গী পোলিসিশিং শৌগৎতবশিং মথৌ তৌহন্দনবা নৎত্রগা তুমিন্না লৈহন্নবা হোৎনরি।

# সিনিয়র ওফিসর ৩৫ সস্পেন্দ তৌখ্রে

জম্মু এন্দ কাশ্মীর, নবেম্বর ১৮ (এজেন্সী) : করপসনদা চেন্নবনি হায়বা সিনিয়র ওফিসর ৩৫ সস্পেন্দ তৌখ্রে হায়না য়ূমশকৈশা নুমিৎতা টোপ ছোর্সশিংনা ফোঙদোকখ্রে।

ছোর্সশিং অদুগী মতুংইন্না, দিপার্টমেন্ট ওফ ফুদ, সিভিল সপ্লাইজ এন্দ পব্লিক দিষ্ট্রিব্যুসনগী ওফিসল মঙা, ত্রান্সপোর্ট দিপার্টমেন্টকী ওফিসল অনী, রেভিন্যু দিপার্টমেন্ট অমসুং রুরেল দিভলপমেন্ট দিপার্টমেন্টকী ওফিসল অমমম, ফোরেষ্ট, ইকোলোজি এন্দ ইনভাইরনমেন্ট দিপার্টমেন্টকী ওফিসল ২৪ অমদি পব্লিক ৱার্ক্স (আর এন্দ দি) দিপার্টমেন্টকী ওফিসল ২ সস্পেন্দ তৌখ্রে।

অরান-অহুই তৌবা ওফিসরশিং অসিবু সস্পেন্দ তৌনবগী ৱারেপ অদু জে এন্দ কে এদমিনিষ্ট্রেসননা য়ুনিয়ন টেরিটরি অসিদা চথখিবা এন্টি-করপসন দ্রাইভ অমদা লৌখি। এদমিনিষ্ট্রেসন্না থা অসিদা শেঙ্গা থুমজা তৌবা ওফিসলশিংগী মথক্তা এক্সন লৌখৎপা হৌখি।

করপসন তৌবশিংবু শুংঙাক ঙাকপীদবগী পোলিসিগী শরুক অমা ওইনা হন্দক্তা জম্মু এন্দ কাশ্মীরগী লেফটিনেন্ট গভর্ণর মানোজ সিনহানা তোঙান তোঙানবা দিপার্টমেন্টশিংগী ভিজিলেন্স য়ুনিটশিংদা শেঙ্গা-থুমজা তৌবা ওফিসলশিংগী মায়োক্তা অকনবা এক্সন লৌখৎনবগী পৱার শিন্নখি।

ছোর্সশিংনা ফোঙদোকখিবদা, লেফটিনেন্ট গভর্ণরনা দিষ্ট্রিক্ট লেভেল ভিজিলেন্স ওফিসরশিংদসু শেঙ্গা থুমজা তৌবা ওফিসলশিংগী মায়োক্তা খুদক্তা এক্সন লৌখৎনবা অমসুং থিন্থবা তৌদনা এফ আই আর রেজিষ্ট্রেসন রিক্কম্মেন্দ তৌনবা খঙহনখ্রে। শ্রীনগরদা লৈবা সিভিল সেক্রেটরিএটতা লেফটিনেন্ট গভর্ণরনা চ্যের লৌদুনা এদমিনিষ্ট্রেটিভ সেক্রেটরিশিংগা লোয়ননা অৱাংবা থাক্কী মীফম অমা পাঙথোক্লবা মতুংদা দিরেক্টিভশিংসু ইস্যু তৌখিবনি।

ওফিসর কয়া সস্পেন্দ তৌবগী মথক্তা এন্টি-করপসন ব্যুরোনা থাজবা য়াবা অরোনবা পাউদা য়ূম্ফম ওইরগা নিংথৌকাবা নুমিৎতা য়ুনিয়ন টেরিটরি অসিগী মফম কয়াদা রেইদ চথখি অমসুং তোঙান তোঙানবা মফম কয়াদগী করপসনগী ইভিদেন্স ওইবা য়াবা দোক্যুমেন্ট কয়ামরুম ফাগৎখি।

চহী অসিগী ওক্টোবর ফাওবদা এ সী বিনা পূন্না করপসন কেস ৬১ রেজিষ্টর তৌখি। এন্টি-গ্রাফ ব্যুরো অসি জম্মু য়ুনিটনা কেস ৩২ ফাইল তৌখি। কুমজা ২০১৯দা পূন্না এফ আই আর ৭৩ তোঙান তোঙানবা গভর্ণমেন্ট ওফিসলশিংগী মায়োক্তা পানখি।

চহী অসিগী অঙনবা শরুক মার্চতা এদমিনিষ্ট্রেসন্না এ সী বিগী জম্মুদা হেদক্বার্টরস ওইবা ইকনোমিক ওফেন্সকী ওইবা ৱিং অমা শেমখি। সুপরিন্টেন্দেন্ট ওফ পুলিসনা মকোক ওইগদবা নৌনা শেম্বা ৱিং অদুগীদমক্তা এদমিনিষ্ট্রেসন্না ফম ৫৮ এপ্রুভ তৌখি।

# খূৎ থোক্নবদা বি জে পিগী ৱার্কর ১ শিরে

কুচ বেহার, নবেম্বর ১৮ (এজেন্সী) : ৱেষ্ট বেঙ্গলগী কুচ বেহার দিষ্ট্রিক্টতা য়ূমশকৈশা নুমিৎতা থোকখিবা খূৎ থোক্নবগী থৌদোক অমদা ভারতিয়া জনতা পার্টি (বি জে পি) গী এক্টিভিষ্ট অমা শিখ্রে অমসুং অতৈ অনীনা অশোক অপন নংখ্রে। থৌদোক অদু তুফানগঞ্জ পুলিস ষ্টেসনননা কোনবা ইষ্ট সিকারপুরদা লাইনীং-লাইশোনগী থৌরম অমা মখা চথবগী মতাংদা তোঙান তোঙানবা ক্লব অনীগী মেম্বরশিংগী মরক্তা কন্না খূৎ থোক্নরকখিবগা লোয়ননা থোকখিবনি।

MANIPUR STATE RURAL LIVELIHOODS MISSION (MSRLM)
**Department of RD&PR, Government of Manipur**
**LoKlaobung, Near Moirangkhom, Imphal-795001**

**NOTIFICATION**

Imphal, 18th November, 2020

**MSRLM-143/HR/Recruitment/2018-19, Pt- III:** It is hereby notified for information to all concerned that advertisement for recruitment of the following posts of the MSRLM Society on purely contractual basis has been issued.

**A. For DAY-NRLM**

| Sl.No. | Name of the Post | No. of posts proposed for recruitment |
|---|---|---|
| **State Mission Management Unit** | | |
| 1 | State Mission Manager (HR) | 1-OBC (Meitei-1) |
| 2 | State Mission Manager-SI/SD | 1-UR |
| 3 | Mission Executive – Institutional Building and Capacity Building (ME – IB/CB) | 1-UR |
| 4 | Mission Executive – Non -Farm (ME-Non -Farm) | 1-ST |
| 5 | Mission Executive – SI/SD | 1-UR |
| 6 | Mission Executive – KMC | 1-UR |
| 7 | MIS Assistant/DEO | 1-UR |
| 8 | State Account Assistant | 1-UR |
| 9 | State Mission Assistant | 1-UR |
| | **Sub Total A** | **9** |
| **District Mission Management Unit** | | |
| 1 | District Mission Manager | 6 (3-UR, 2-ST, 1-OBC Meitei) |
| 2 | District Coordinator – Livelihoods (Farm) | 7 (4-UR, 2-ST, 1-OBC Meitei) |
| 3 | District Coordinator – Livelihoods (Non- Farm) | 6 (3-UR, 2-ST, 1-OBC Meitei Pangal) |
| 4 | District Coordinator – SI/SD | 8 (4-UR, 3-ST, 1- OBC Meitei) |
| 5 | District Account Assistant | 6 (4-UR, 2-ST, 1-OBC Meitei) |
| 6 | District MIS Assistant | 6 (4-UR, 2-ST, 1-OBC Meitei) |
| 7 | Multi-Tasking Assistant | 8 (5-UR, 2-ST, 1-OBC Meitei) |
| | **Sub Total B** | **47** |
| **Block Mission Management Unit** | | |
| 1 | Block Mission Manager | 4 (3-UR, 1-ST) |
| 2 | Block MIS Manager | 16 (10-UR, 4-ST, 2-OBC) |
| 3 | Block Coordinator-SVEP | 3-UR |
| 4 | Block Coordinator-Livelihoods (Farm) | 16 (10-UR, 4-ST, 2-OBC) |
| 5 | Block Coordinator-Livelihoods (Livestock) | 16 (10-UR, 4-ST, 2-OBC) |
| 6 | Block Coordinator-Livelihoods (Non -Farm) | 16 (10-UR, 4-ST, 2-OBC) |
| 7 | Cluster Coordinator | 13 (8-UR, 4-ST, 1-OBC Meitei Pangal) |
| 8 | Block Mission Accountant | 1(1-ST) |
| 9 | Block Multi-Tasking Assistant | 16 (10-UR, 4-ST, 2-OBC) |
| | **Sub Total C** | **101** |
| | **Total 1 (Sub Total A+B+C)** | **157** |

**B. For DDU-GKY**

| Sl.No. | Name of the Post | No. of posts proposed for recruitment |
|---|---|---|
| **Block Mission Management Unit** | | |
| 1 | Block Coordinator-Skills | 54 (28-UR, 16-ST, 7-OBC, 2-OBC Meitei Pangal, 1-SC) |
| | **Total 2** | **54** |
| | **Grand Total (Total 1+2)** | **211** |

The details of requisite qualification of posts, indicative job profile and monthly remuneration are available at www.manipursrlm.gov.in and www.manipur.gov.in as Annexure. Interested candidates may download the **MSRLM APPLICATION & RESUME FORM** along with the Checklist and to be filled in Admit card available at www.manipursrlm.gov.in and www.manipur.gov.in , fill the same strictly as per the format and submit it to recruit2020.msrlm@gmail.com indicating the name of the post applied for in the subject line and on or before 17.00 hrs of 5th December, 2020. A candidate can apply for only one post.

Sd/- Yumnam Robita
State Mission Director
Manipur State Rural Livelihoods Mission

HL-B/6543/19,20,21



